# সর্ভিসেসনা নুপাগী, রেলৱেজনা নুপীগী টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

## এস মিরাবাই চনু অমসুং সিভলিঙ্গম সাটিশনা বেষ্ট লিফটরগী এৱার্দ ফংখ্রে




নাজেরকোইল, দিসেম্বর ৩১ :

মফম অসিদা পাঙথোকখিবা ৬৯শুবা নুপা অমসুং ৩২শুবা নুপীগী সেনিয়র নেসনল ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ইরাই নুমিৎতা লোইশিনখিবগা লোয়ননা সর্ভিসেসকী নুপা টিমনা পোইন্ট ৬২১ অমসুং রেলৱেজগী নুপী টিমনা পোইন্ট ৫৪৪ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন্স ওইখ্রে।

রেলৱেজগী নুপা টিমনা পোইন্ট ৬১৫ অমদি অন্ধ্র প্রদেশকী নুপী টিমনা পোইন্ট ৪২৯ ফংদুনা রন্নরস-অপ তাখি। অদুগা ইন্টর-ষ্টেট চেম্পিয়নশিপ্তা মহারাষ্ট্রানা পোইন্ট ১৫৯ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন অদুগা য়ুম্বু টামিল নাডুনা পোইন্ট ১৪১ ফংদুনা রন্নরস-অপ তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙরাং লোইশিনবা নুমিৎতা নুপাগী কেজি ১০৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা রেলৱেজগী হিমানশু কে চাংনা স্নেটচতা কেজি ১৬১ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ২০২ পুন্না কেজি ৩৬৩ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখি। সেনিয়র নেসনলদা কেজি ১০৫ গী কাঙলুপ্তা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা লিফটর অনীনা ক্লিন এন্দ জর্ক সেক্সনদা কেজি ২০০ থাঙ্গৎখি। কাঙলুপ অসিদা রেলৱেজগী গুরদীপ সিংহনা স্নেটচতা কেজি ১৬১ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ২০০ পুন্না কেজি ৩৬১ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংখি। অদুগা পঞ্জাবকী জাসপ্রীট সিংহনা স্নেটচতা কেজি ১৫২ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৯২ পুন্না কেজি ৩৪৪ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা হরিয়ানাগী মোনিকানা স্নেটচতা কেজি ৯০ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১১ পুন্না কেজি ২০১ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখি। কর্নাটাকাগী পি এম কানচাননা স্নেটচতা কেজি ৮৪ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১৪ পুন্না কেজি ১৯৮ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল অমসুং এ আই পি এস সি বিগী কে ঐচ জোশিলা দেবীনা স্নেটচতা কেজি ৮৪ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১৩ পুন্না কেজি ১৯৭ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

রেলৱেজগী লিফটর এস মিরাবাই চনু অমসুং সিভলিঙ্গম সাটিশনা মথংশিংনা নুপী অমদি নুপাগী কাঙলুপ্তা বেষ্ট লিফটরগী এৱার্দ ফংখি।

ইন্টর-ষ্টেটকী কেজি ১০৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা পঞ্জাবকী জাসপ্রীট সিংহনা স্নেটচতা কেজি ১৫২ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৯২ পুন্না কেজি ৩৪৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল, হিমাচল প্রদেশকী ভিপান কুমারনা স্নেটচতা কেজি ১৫২ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৯১ পুন্না কেজি ৩৪৩ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল অমসুং চানি দগড়গী সরাবজিৎনা স্নেটচতা কেজি ১৫৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৭০ পুন্না কেজি ৩২৫ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

চেম্পিয়নশিপ অসি লোইশিনবগী থৌরমদা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টর সজান সিংহ আর চভাননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিদুনা মায় পাক্লবা লিফটরশিংদা ট্রোফিশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা টামিল নাডু ষ্টেট ৱেঠলিফটিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট পোন রোবার্ট সিংহ অমদি ইন্দিয়ন ৱেঠলিফটিং ফেদরেসনগী ভাইস-প্রসিদেন্ট সাহদেভ যাদভসু শরুক য়াখি।

# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেদা নাইটহুদ পীদুনা ঈকাই খুম্নখ্রে



লন্দন, দিসেম্বর ৩১ : এন্দি মরেনা মালেমগী মকোক থোংবা মফম য়ৌনবা চঙলকখিবা লন্বীদা মহাক্কী অনীশুবা ৱিমল্লেদন অমদি ওলেম্পিক টাইটল লৌখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা ক্বিন ইলিজাবেঠ টুগী ন্যু ইয়রগী ওনর লিষ্টতা লেমজনিংঙাই ওইরবা নাইটহুদ পীদুনা ঈকাই খুম্নখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা মরেনা মমাঙ্দা লেমজনিংঙাই ওইরবা ওফিসর ওফ দ ওর্দর ওফ দ বৃটিশ অম্পায়র (ও বি ঈ) কুমজা ২০১২ দা ফংখি। ও বি ঈ অসি মহাক্না অহানবা ওইনা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুংদনি।

য়ুনিসেফ য়ু কে অম্বেসেদর ওইরিবা মরেনা টেনিস অমদি চেরিটিদা লৌখিবা থৌদাং অদুগীদমক মহাক্কী নাইটহুদ ফংখি।

মরেনা বৃটিশ স্পোর্টসতা নাইটহুদ ফংখিবা মো ফারাহগা পুনবা ঙমখ্রে। মো ফারাহনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা রিও দি জানৈরো ওলেম্পিক্সতা মিটর ৫,০০০ অমদি মিটর ১০,০০০ গী টাইটল অমুক হন্না ফংখিদুনা ওলেম্পিক্তা গোল্ড মেদল মরি লৌবা ঙম্বা বৃটিশকী অহানবা ট্রেক এন্দ ফিল্ড এঠলেট ওইখিবনি।

ফারাহনা হায়খি, ঐনা চহী ৮ খক্তা ঙাইরিঙৈদা মফম অসিদা লাক্তুনা লৈখিবদগী ঐগী ইয়ুম ওইরবা লৈবাক অসিনা ঈকাই খুম্ন বীদুনা শিংথানিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি পীবিবগীদমক ঐনা হরাউবা পোকই। সোমালিয়াদগী মফম অসিদা থুংলখিবদা ইংলিস অমত্তা ঙাঙবা ঙমখিদে। ঐনা ঙসি ওইরিবা ফীভম অসি ঐনা কৈদৌঙৈদা লাকশিল্লুবা ঙল্লুদে, মসি তশেংনা মঙলান অদু মঙফাওনবনি।

ঐগী লৈবাক্কীদমক মহুৎ শিন্দুনা লমজেল চেন্নবগী খুদোংচাবা পীবিবগীদমক অমদি বৃটিশ মীয়ামগীদমক গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বদা ঐনা ঙমখৈ লৈতনা চাউথোকচৈ। বৃটিশকী মীয়াম অসি ঐগী কেরিয়র অপুম্বগী খ্বাইদগী চাউবা সপ্পোর্টরশিংনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রিওদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা পরালিম্পিক্তা ইকেষ্ট্রিয়নদা গোল্ড মেদল লৌখিবা লী পীয়রসনসু নাইটহুদ পীখি। মহাক্না মাঙজৌননা এম বি ঈ, ও বি ঈ অমদি সি বি ঈ ফংখ্রে। লেমজনিংঙাই ওইরবা মনাশিং অসি মহাক্না ইকেষ্ট্রিয়ানিজম অমদি দিসএবল্ড স্পোর্টতা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শকখঙদুনা পীখিবনি।

# জয়পুরগী স্কাদ অমদি লোগোগী মায়খুম হাংদোকখ্রে


ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩১ : লাক্লিবা মথং চহীগী জন্যুৱারী ২ দগী চথবা হৌগদৌরিবা অনীশুবা এদিসনগী প্রো রেষ্টলিং লীগ (পি দব্লিয়ু এল) তা নৌনা হাপচিল্লকখ্রবা জয়পুর ফ্রেঞ্চাইজগী লোগো অমা ঙসি মফম অসিদা পাঙথোকখিবা চিং লেন্নবা থৌরম অমদা মায়খুম হাংদোকখ্রে।

জয়পুর নিঞ্জা হায়রগসু খঙনবা ফ্রেঞ্চাইজ অসিগী টিমগী এন্থেম অমদি এঠলেটশিংগীসু মায়খুম হাংদোকখি। ফ্রেঞ্চাইজ অসিনা জন্যুৱারী ২ দগী চথবা হৌগদৌরিবা অনীশুবা এদিসনগী পি দব্লিয়ু এল টাইটল লৌননবগী অকনবা মওংদা শেম শারিবনি। টিম অসিদা ফোগট মচিন-মনাওগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা রিটু য়াওরি। মহাক্না টুর্ণামেন্ট অসিগী নুপীগী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগনি।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা পি দব্লিয়ু এলগী ওক্সনদা রিটুবু অয়াম্বা শেনফমদা লৈখিদুনা ইন্দিয়াগী মমল খ্বাইদগী য়াম্বী নুপী রেষ্টলরসু ওইখিবনি। নিঞ্জা টিমদা খ্বাইদগী হৈথোই-শিংথোইরবা নুপী রেষ্টলর স্বিদেনগী জেনি ফ্রান্সন য়াওরি। মহাক্না রিও গেমসদা কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

কেজি ৫৩ গী কাঙলুপকীদা ভেনেজুয়েলাগী বেটজাবেঠ অর্গুইল্লো, জোর্জিয়নগী হেভি ৱেঠ দো ইলিজবার ওদিকাদজে (নুপাগী কেজি ৯৭) অমদি য়াকোব মকারাশভিলি (নুপাগী কেজি ৭৪) সু য়াওরি।

# স্বিসকী ষ্টার রোজর ফেদররনা হোপমেন কপকী মিক্স টিম ইভেন্টতা শরুক য়াগনি



ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া, দিসেম্বর ৩১ :

স্বিসকী ষ্টার রোজর ফেদররনা মশাগী মখুউদা অশোকপা লৈখিবদগী থা তরুক্লোম টেনিস কোর্টতগী লাপথোকনা লৈরুরবা মতুং কুমজা ২০১৭ কী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মাঙওইননা নোংমাইজিং নুমিৎতগী পার্থতা চথবা হৌগদৌরিবা হোপমেন কপকী মিক্স টিম ইভেন্টতা শরুক য়ারগনি।

গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৭ লৌখ্রবা ফেদররনা চহী অসিগী ৱিমল্লেদনগী সেমী ফাইনেলদা কনাডাগী মিলোস রাউনিক্কী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা অদুদগী মহাক্কী অশোকপা অদু হেঞ্জিনখিদুনা জুলাই থাদগী হৌনা মেচ অমত্তা শান্নদনা লাকখি। মশাগী চহী ৩৫ শুরবা স্বিস অসিনা মহাক্কী কেরিয়রদা অহানবা ওইনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা ওইথংবা খুউদা সর্জরি তৌখি অমদি ৱিমল্লেদনদা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং য়ু এস ওপন অমদি রিও গেমস য়াওনা সিজন অসিদগী পোখ্থানবা ফীরেপ লৌখি। ফেদররনা টেনিস কোর্টতগী লাপথোক্তুনা লৈরিঙৈ মতমদা বৃটেনগী এন্দি মরে অমদি সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা মালেমগী মকোক থোংবা মফমগীদমক মুন্নখি অদুগা স্বিসকী ষ্টান ৱারিঙ্কানা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌখি।

ফেদররনা চহী অসিদা মালেমগী ১৬শুবা মফমদা হায়থরক্তুনা কুমজা ২০০১ গী মতুংদা অহানবা ওইনা খ্বাইদগী নেম্বা রেঙ্কিংদা লৈখ্রবসু পার্থতা বেলিন্দা বেন্সিক্কা অপুনবা জুরা শেমগদৌরিবা স্বিসকী লেজেন্দ অসিনা শগোলশেল নুমিৎতা পার্থতা প্রেক্টিস তৌখিবদা ফেন লিশিং মঙারোম্না য়েংখি।

অমরোমদা, হৌখিবা ওক্টোবর থাদা পাঙথোকখিবা শঙহাই মাষ্টর্সতা করেম কথাইনবা মওংদা শান্নখিবদগী চয়োল নিপানগী অথিংবা মায়োক্নরিবা মশাগী চহী ২১ শুরবা নিক ক্রিগিওসসু ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমদা য়াওদুনা দারিয়া গাভরিলোভাগা অপুনবা জুরা শেমদুনা হোপমেন কপ্তা শরুক য়াগদৌরি।

নুপীগীদা ৱিমল্লেদনগী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবী পেট্রা কভিটোভাদি মখুৎতা অশোকপা লৈখিবদগী থা তরুক্লোম শান্নবা ঙল্লরোইদবনা চেক রিপব্লিক্কী টিমদা গ্রান্দ স্লাম অহুম্লক দবলস চেম্পিয়ন ওইখ্রবী লুসি হ্রাদেক্কানা মহুৎ শিন্দুনা অদাম পাভলাসেক্কা জুরা শেমদুনা শরুক য়াগনি অদুগা জর্মনিগী টিমদা অলেকজেন্দর জেভেরেবনা এন্দ্রি পেটাকোভিক্কা জুরা শেমগনি। জেক সোকসু কোকো ভান্দেৱেঘেগা পুন্দুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু রেকোর্দ ওইনা হোপমেন কপকী টাইটল তরেৎলকশুবা ওইনা লৌহন্নবা হোৎনগদৌরি।

হোপমেন কপতা রিচার্দ গ্যাসকেট অমদি কৃষ্টিনা মলাদেনোভিকনা ফ্রান্সকী দানিয়েল ইভান্স অমদি হেদর ৱাটসননা গ্রেট বৃটেনগী অদুগা ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমদি লারা অরুবারেনানা স্পেনগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি।

# স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা কালমাদি, চৌটালাবু লাইফ প্রসিদেন্ট হাপখিবগীদমক আই ও এবু সস্পেন্দ তৌখ্রে





ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩১ : ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) না সুরেশ কালমাদি অমসুং অবে সিংহ চৌটালাবু মসিগী লাইফ প্রসিদেন্ট হাপখিবগীদমক স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এসোসিএসন অসিবু ইরাই নুমিৎতা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

আই ও এবু সস্পেন্সন তৌখিবা অসিনা এসোসিএসন অসিগী হক অমদি শক্তি অদু শিজিন্নবা য়াররোই। এসোসিএসন অসিদা গভর্ণমেন্টনা পীবা এসিষ্টেন্স, ফাইনান্সিএল নৎত্রগা অতোপ্পা খুদোংচাবশিং পীবসু লেপ্পগনি।

মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা চেরোল অমদা হায়, অই ও এনা সুরেশ কলমাদি অমদি অবে চৌটালাবু লাইফ প্রসিদেন্ট ওইনা হাপখিবগী ৱারেপ অদু হন্দোক্নবা ফাওবা এসোসিএসন অসি শকখঙবা তৌররোই হায়রি।

স্পোর্টস বোদি অসিগী দিসেম্বর ২৭ তা পাঙথোকখিবা জেনরেলবোদি মীফমদা মসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট কলমাদি অমদি চৌটালাবু লাইফ প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্পবগী পাস তৌখিবা রিজোল্যুসন অদুগী মতুং দিসেম্বর ২৮ দা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা আই ও এদা শো-কোজ নোটিস পীখি।

শো-কোজ নোটিস অদুগী পাউখুম ইরাই নুমিৎকী পুং ৫ ফাওবদা আই ও এনা পাউখুম পীবা মথৌ তাখিবনি। মখোয়গী পাউখুমদা আই ও এনা শো-কোজ নোটিস অদুগী পাউখুম পীনবগীদমক জন্যুৱারী ১৫ ফাওবা মতম শাংদোকপীনবা ফোঙদোকখি। মরমদি আই ও এগী প্রসিদেন্ট লৈবাক অসিদা হৌজিক লৈতে অমদি মখোয়না মহাক্না ৱা তানবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, আই ও এনা সুরেশ কলমাদি অমদি অবে চৌটালাবু নন-ইলিজিবিলিটিগী মতাংদা মতীক চাবা পাউখুম অমত্ত পীদবনা গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টস বোদি অসিগী রেস্পোন্সদা অপেনবা ওইদে। গভর্ণমেন্টনা আই ও এগী পাউখুম অদু তারগা করি করম্বা থবক থৌরম লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নগনি। স্পোর্টস বোদিগী মমা ওইরিবা আই ও এনা তৌরিবা থৌওং অসি অফবা গভর্ণেন্স অমগী নিয়ম-নিতিদা খ্বাইদগী চাউনা শিংনবা অমদি অপনবা পীবনি। মরম অদুনা থৌওং অসি লৈবাক অসিগী প্রেক্টিস অমদি পব্লিক সেন্টিমেন্ট ওইবনা অথুবদা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎতুনা অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্কনি হায়রি।

অদুম ওইনমক গভর্ণমেন্টনা ওলেম্পিক চার্টর অমদি স্পোর্টসকী ওটোনোমিবু প্রোটেক্ট তৌনবা লৌরিবা থৌদাংবুদি ঈকাই খুম্নৈ। অদুবু লৈবাক অসিগী প্রিন্সিপল ওফ ইঠিক অমদি গুদ গভর্ণান্সতা আই ও এনা ভাইওলেসন তৌরিবা অসি ৱা অমত্তা ঙাঙদনা য়েংদুনা লৈবা তৌরোই।

মসিমক্না আই ও এনা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু চুমথোকচদ্রিফাওবা সস্পেন্দ তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

অমরোমদা, সেনিয়র ফঙ্কস্নরি নরিন্দর বট্রানা কলমাদি অমদি চৌটালাবু লাইফ প্রসিদেন্ট হাপ্পগী ৱারেপ লৌখিবা অদু হন্দোকখিদবদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা আই ও এগী এসোসিএট ভাইস-প্রসিদেন্ট ফমদগী রিজাইন তৌখিবনি।

# এন্দি মরেনা সিজনগী ওপনরদা দেভিদ গোফিনগী মখুৎতা লৈহৌরে

অবু ধাবী, দিসেম্বর ৩১ : ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেনা মফম অসিদা চথরিবা মুবাদালা ৱর্ল্ড টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা দেভিদ গোফিনগী মখুৎতা মায়থীদুনা মহাক্কী অনৌবা সিজন হৌদোকখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অদুদা এন্দি মরেনা দেভিদ গোফিনগী মখুৎতা ৭-৬ (৪), ৬-৪ দা মায়থীহৌখি। চহীগী অরোইবা এক্সিবিসন ইভেন্ট অসিগী ওপনিং সেট অদু মায়থীরবা মতুং টুর্ণামেন্ট অসিগী অনীরক ৱিন্নর ওইখ্রবা মরেনা ৩-২ দা অনীশুবা সেটতা মাঙজিল থানা লৈখি। অদুবু গোফিননা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা মরেবু নম্বংখিবগা লোয়ননা ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা গোফিননা মিলোস রাউনিক নৎত্রগা রফেল নদাল অনীগী মরক্তা অমগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি। মরেনা মহাক্কী কুমজা ২০১৬ কী সিজনদা মেচ মাপনখক্তংমক মায়থীখিবনি। মরেনা চহী অসিগী অরোইবদা নুপাগী রেঙ্কিংদা অহানবা ওইন খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি। মহাক্না চহী অসিদা ৱিমল্লেদন, রিও ওলেম্পিক্স অমদি এ টি পি ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলগী টাইটল য়াওনা অয়াম্বা টাইটলশিং লৌবা ঙমখি।

# ভিরাট কোহলিবু ওষ্ট্রেলিয়াগী মেকগ্রাথ টেষ্ট টিম ওফ দ ইয়রগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রে




সিদনি, দিসেম্বর ৩১ :

ইন্দিয়াগী ষ্টার ক্রিকেটর ভিরাট কোহলিবু ওষ্ট্রেলিয়াগী লেজেন্দরি ফাষ্ট বোল্লর মেকগ্রাথনা মহাক্কী লৈবাক্কী টেষ্ট টিম ওফ দ ইয়র ২০১৬ কী কেপ্টেন ওইনবা খনখিবগা লোয়ননা মেম্বর ১২ না শাবা টিম অসিদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) গী মকোক থোংবা বোল্লর ওইরিবা ইন্দিয়াগী রভিচন্দ্রন অশ্বিনসু য়াওরে।

ইন্দিয়াগী কোহলি অমসুং অশ্বিনগী মথক্তা মেকগ্রাথকী টিমদা য়াওরিবা অতোপ্পা ক্রিকেটরশিংদি ওষ্ট্রেলিয়াগী দেভিদ ৱর্নর, ষ্টেভ স্মিথ অমদি মিটচেল ষ্টাক, ইংলেন্দগী জো রুট, বেন ষ্টোক্স, ষ্টোর্ট ব্রোদ অমদি ৱিকেট কিপর জোন্নি বেষ্টো, ন্যু জিলেন্দগী কেন ৱিল্লিয়মসন, পাকিস্তানগী য়াসির শাহ অমদি সাউথ অফ্রিকাগী ফাষ্ট বোল্লর কাফিগোরবাদা য়াওরি।

পনবা য়াই, হন্দক্তা আই সি সি টেষ্ট টিম ওফ দ ইয়র অমদি ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) টিম ওফ দ ইয়রগী কেপ্টেন ওইনসু খনখিবা ভিরাট কোহলিনা বেটসমেন অমদি কেপ্টেন অমা ওইনা টেষ্টতা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিবদগী ইন্দিয়াবু মালেমগী মকোক থোংবা মফমদা লৈহন্দুনা চহী অসি মায় পাক্না লোইশিনখি। কোহলিগী লীচিং মখাদা ইন্দিয়ানা চহী অসিদা অপুনবা টেষ্ট মেচ ১২ শান্নখিবগী মনুংদা মাপন মায় পাক্লগা অহুম্না দ্রো চৎখিদুনা মায়থীবা মশক খঙদনা লাকখিবদা নক্তনা মায় পাকখিবা অপুনবা মেচ মশিং ১৮ ওইদুনা অনৌবা পুৱারীসু শেমখিবনি। মশাগী চহী ২৮ শুরবা দিল্লি মচা অসিনা চহী অসিদা সেঞ্চুরি মরি (দবল সেঞ্চুরি অহুম) অমদি হাফ সেঞ্চুরি অনী য়াওনা পুন্না রন ১,২১৫ লৌখি।

চহী অসিগী আই সি সি ক্রিকেটর ওফ দ ইয়র অমদি আই সি সি টেষ্ট ক্রিকেটর ওফ দ ইয়র এৱার্দ ফংখ্রবা রভিচন্দ্রন অশ্বিননা মেচ ১২ দা পুন্না ৱিকেট ৭২ লৌদুনা টেষ্টতা ইন্দিয়াবু মায়থীবা মশক খঙহনখিদবা অদুদা চাউরবা থৌদাং লৌখিবনি।

অমরোমদা, ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী টেষ্ট টিম ওফ দ ইয়রগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলিবু ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱান দে টিম ওফ দ ইয়রগী কেপ্টেন ওইনা অমুক্কা খনখি।

ভিরাট কোহলিনা চহী অসিদা উৎখিবা মতীং থোকপা পার্ফোর্মেন্স অদু ওষ্ট্রেলিয়াদা চথখিবা লিমিটেদ ওভর সেরিজদগী হৌখিবনা লৈবাক অদুগী ও দি আই টিম ওফ দ ইয়রগী কেপ্টেন ওইনা খনখিবদা মতীক চাই হায়না মীয়াম্না ফোঙদোক্লখি।

চৈরক অসিদা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর জসপ্রিট বুসরাহবু ওষ্ট্রেলিয়ন টিম ওফ দ ইয়রগী লিষ্টতা য়াওরে।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী চেরোল অমদা হায়, ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা কুমজা ২০১৬ তা ও দি আই মেচ ১০ শান্নখিবা ওভর ৫০ গী ফোর্মেটতা মালেমগী খ্বাইদগী মশক থোকপা শান্নরোয়নি হায়বদু উৎখি। য়েৎকী খুৎনা বেটিং তৌবা বেটসমেন অসিনা চহী অসিদা ইন্নিংস তরা শান্নখিবদা নিপানদি রন ৪৫ দগী তাদনা লৌখি। জন্যুৱারী থাদা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নখিবা সেরিজদা মহাক্না থংন-থংননা সেঞ্চুরি লৌখিবদা নক্তনা ন্যু জিলেন্দগী মায়োক্তসু রন ১৫৪ (নোট আউট) লৌদুনা টিমগী অপুনবা রন ২৮৯ গী তঙ্খায় হেনবদি মহাক্না লৌখি। কোহলিনা টার্গেট রন তান্নদুনা ইন্দিয়াবু ৫৯ রক মায় পাকহনখিবদগী মহাক্কী এভরেজ ৯০.১০ দা লৈখি হায়না চেরোল অদুনা হায়রি।

নিংশিংবা য়াই, ইন্দিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়া অনীগী মেচ মরিগী টেষ্ট সেরিজ অমা লাক্লিবা কুমজা ২০১৭ কী ফেব্রুৱারী ২৩ দগী শান্নগদৌরি।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী ও দি আই টিম ওফ দ ইয়রগী লিষ্টতা য়াওরিবা অতোপ্পা প্লেয়রশিং অদুদি ওষ্ট্রেলিয়াগী দেভিদ ৱার্নর, সাউথ অফ্রিকাগী ৱিকেট কিপর ক্বিন্টন দি কোক, ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেভ স্মিথ, পাকিস্তানগী বাবর অজাম, ওষ্ট্রেলিয়াগী মিটচেল মার্স, ইংলেন্দগী জোস বটলর অমদি সাউথ অফ্রিকাগী ইমরান টাহিরনি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017

Prizes : 5TH MEGA MOCK TEST FOR HSLCE 2017

| 1st Position | 2nd Position | 3rd Position | 4th - 10th Position | 85 % and above | 80 % and above | Subject Toppers |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| ₹. 20,000/- | ₹. 15,000/- | ₹. 10,000/- | ₹. 5,000/- | ₹. 3,000/- | ₹. 2,000/- | ₹. 3,000/- |

Time Table : Last Date of Form Submission : 5th Jan., 2017

| Date & Day | 18/01/2017 (Wednesday) | 21/01/2017 (Saturday) | 24/01/2017 (Tuesday) | 27/01/2017 Friday) | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| Subject | English | Social Science | Mathematics | Additional Sub. | Science | MIL (Man, El. Man.) |

TOPPERS of 2016



1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh

Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342
BOARDING FOR BOYS & GIRLS

HL-B/3529/9/12-7/01